লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ : মপাওগী থা ৬/৬ লৈরগা ফোঙবা খোরিরোলগী চেফোঙগী ১০শুবা মশীং অমসুং অব্দুল হমিতনা ইবা শৈরেং লাইরিক *ৱাংমগী তোর্বান্দুদা* ঙসি ফোঙখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা কঞ্জুমর এফেয়র্স ফুদ এন্দ পুব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যামনা চীফ গেষ্ট, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী ডা. সোইবম ইবোচা প্রসিদেন্ট অমসুং সাহিত্য একাদেমি এৱার্দী প্রো. যোধচন্দ্র সনসমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দী বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেমনা লাইরিক্কী মশক তাকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, মণিপুরী খুন্নাইসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অইবশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। অইবা হায়বসিদি মতম চুপ্পদা হিংদুনা লৈহৌরগদবনি। অইবশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অমদি খুন্নাইসিদা মখোয়না পীরিবা খুদোল অসি ঐখোয় খূদিংমক্না ঈকায় খুম্নফম থোকই।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দী সোইবম ইবোচানা হায়খি, ঙসি ফোঙলিবা মপাওগী চেফোঙ অসিদা য়াওরিবা মচাকশিং অসি মীয়ামদা কান্নবা পীগদবা ৱাফম ঙাক্তনি। মরম অসিনা মপাওনা লৌরিবা থৌদাং অসি ঐখোয় খূদিংমক্না ঈকায় খুম্নসি। মসিদসু নত্তনা কছারদগী অব্দুল হমিতনা ইবা শৈরেং লাইরিক অমা ফোঙবা অসিসু নুংঙাইবা পোকই।

থৌরমদুদা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দী প্রো. যোধচন্দ্র সনসমনা হায়খি, মপাওগী চেফোঙ অসিদা লমদমসিগী নহারোলশিং অমদি এৱার্ড ফংখ্রবা কয়া য়াওনা মখোয়গী পূন্সি ৱারীশিং ইরি। অদুনা চেফোঙ অসিনা অপাবশিংদা শোয়দনা কান্নবা পীবা ঙমগনি খল্লি।

য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, মে ২৮ : ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী চাকহেন থা হৌখিবগা মরী লৈননা বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চা মণিপুর প্রদেশনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। বি জে পি মাইনোরিটি মোর্চাগী প্রসিদেন্ট এম দি সলাম খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অলাহদা থাজবা থল্লিবা ইমামৱালা খূদিংমক অসিগুম্বা মতিক লৈরবা থা অসি মপুং ফানা রোজাগী হকশিং ঙাক্না চৎপা ঙমহনবীবা ওইরসনু। চাকহেন থানা লাকপা অসিদা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খূদিংমক অমগা অমগা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা, ঈং-তপ্পা হিংবগী পূন্সি পীনবীবা ওইরসু হায়না অলাহগী মফমদা দুৱা তৌজবগা লোয়ননা অফবা মরা চেৎপা লৈঙাক অমা লমদমসিদা লৈহনবীবা ওইরসনু।

‘মরী লৈনদে’

ইম্ফাল, মে ২৮ : ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দো টিম অমনা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা খুরাই নিংথৌবুং লৈকায়দা থিহুন্দ্বগী থবক চথবদা গ্রেনেদ অমা অমসুং দিমান্দ লেট্টরগা কোন্ননা ফারে হায়রিবা লাইশ্রম ধনবির (৪১) অপোকপা লৈখিদ্রবা রনবির কে সী পিনা শীজিন্নবা মীওই নত্তে হায়না কে সী পিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী মেম্বর ইন-চার্জ এস মঙালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মীওই অসি কে সী পি অমসুং মসিগী লান্মী শঙলূপ মীয়ামগী ফিঙাং লান্মীগা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়রি।

লাইরিকশিং ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ : অইবা কেংবা য়েংখোম (শ্যামশরন) না ইবা *য়াওলগী খোঙ্গুল* (নোবেল) অমসুং তোঙান-তোঙানবা অইবশিংনা ইবা *সাহিত্য নৈনরোল* (অহুমশুবা খুৎনম) ঙসি সাহিত্য সেবা সমিটি মণিপুর ককচীংদা ফোঙখ্রে। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী চুমনাংদা লৈবা রিপ্রজেন্টেটিবস ওফ লোইজকী মীপূনশঙদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রো. আই এস কাংজমনা অথোইবা মীথুং, য়েংখোম ধনঞ্জয়, প্রসিদেন্ট সাহিত্য সেবা সম্মিটি মণিপুরনা থৌরম মপূ ওইখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রো. নহাকপম অরুনানা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। ঙসি ফোঙখিবা কেঙবা য়েংখোমনা ইবা *য়াওলগী খোঙ্গুল* (নোবেল) লাইরিক অসিগী মরমদা সলাম তোম্বনা ৱা ঙাঙখি।

অমরোমদা, অইবা ললিট কুমার মোইরাংথেমনা ইবা *ঐ অমুক লীরক্কে তারো* হায়না মিংথোনবা লাইরিক লাইরিক ফোঙবগী অমা ঙসি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি মহুদ নহাকপম ইন্দ্রজিৎনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রীগী প্রো. এম ধনেশ্বরনা প্রসিদেন্ট ওইখি। য়ং ৱিমেন হেল্প ওর্গনাইজেসন, ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শান্তি (এদভোকেট)না গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। নম্বোল এল সানোই কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রো. ডা. সলাম শান্তিবালানা লাইরিক মশক তাকখি।

নম্বোল রিভর প্রোজেক্ট কোন্থৌজম এ সীদা পায়খত্তুনা ঈচাউদগী ঙাকথোকউ : সী পি আই

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :

মণিপুর লৈঙাক্না নম্বোল রিভর প্রোজেক্ট অসি কোন্থৌজম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)দা পায়খত্তুনা ঈচাউদগী ঙাকথোকউ হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) কোন্থৌজম লোকল কাউন্সীলনা তকশিল্লক্লি।

সী পি আই কোন্থৌজম লোকল কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এম কিশ্বরচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কাউন্সীল অসিগী চহী ৫০ শুবা গোল্ডন জুবিলি থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি খা জীরি মমাঙ লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা কনফরেন্স অমা পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স অদুদা পার্টিগী ফিরাল চিংখত্তুনা হৌদোক্লবা তুংদা কমরেদ ও ইবোতোম্বী অমদি ইরোম চাওবনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। কনফরেন্স অদুগী দ্রাফট পোলিটিকেল রিপোর্ট অমা কমরেদ এন জয়কুমার লুৰাংনা থমখি। মহাক্কী রিপোর্ট অদুদা মণিপুর লৈঙাক্তা তক্কদুনা কোন্থৌজম এ সীগী মীয়াম্মা মায়োক্নরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী ৱারোল মঙা য়াওখি। মখা তানা কমরেদ এম কিশ্বরচন্দ্রনা ওর্গনাইজেসনেল রিপোর্ট পুথোক্তুনা পার্টি অসি কনখৎত্রবদি লায়রবা, শুরি-নোম্লিবা মীয়াম অৱাবা তারগনি হায়বা ৱাফম থমখি।

কনফরেন্স অসিদা সী পি আইগী সেক্রেটরিয়েট মেম্বর কমরেদ কে ঐচ সুরচান্দনা লমদম অসিদা হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী ফীভম অসিগী মতাংদা শুগাইবা ৱারোলশিং থমখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী অশোয়বা থৌশীলনা লায়রববু হেন্না লায়রহনবা অমসুং কম্যুনেল ওইবা থৌশীল কয়া পায়খৎলক্লি। সী পি আইনা লায়রবা মীয়ামগী য়াইফনবা ঙসি ফাওবা থৌদাং লৌদুনা লাকখি। মখা তানসু হনবা লৈতনা লায়রবশিংগী য়াইফনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি কোন্থৌজম এ সী ফাওদুনা চেল্লিবা নম্বোল তুরেলদা পায়খৎকদৌরিবা নম্বোল রিভর প্রোজেক্ট অসি কোন্থৌজম এ সীগী মনুং চনবা মফমদা পায়খত্তুনা ঈচাউদগী কন্নবা লৈঙাক্না থবক পায়খৎকদবনি।

কোন্থৌজম এ সীদা শারিবা অনা-লায়েংশঙশিং অথুবদা শঙ্গাদুনা ডোক্টরশিং মথৌ তৌহনগদবনি। কাংমোং, লাঙ্গোঞ্জম লৌকোন অমদি এ সী অসিগী লৌকোন পুম্বদা ঈথৈ লৌখোংগী খুদোংচাবা ফংহনগদবনি হায়বা ৱাফমসু য়াওরি।

কনফরেন্স অসিদা ৱারেপশিং অসি থবক্তা ওন্থোকহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্তা তকশিনবা হায়নসু অমত্তা ওইনা য়ানখি। লোয়ননা লোকল কাউন্সীল অসিগী নৌনা থৌ পুগদবা মীওই ৩১ খনখি। কমরেদ এম কিশ্বরচন্দ্রবু কাউন্সীল অসিগী লোকল কনভিনর ওইনা খল্লে হায়নসু মখা তারক্লি।

‘রমজান থানা লাকপদা লমদম অসি হেন্না য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু’

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :

ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীতৈ পাঙল ইচিন-ইনাওশিংগী রমজান থানা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীজবগা লোয়ননা লমদম অসিদা হান্নদগী হেন্না য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু হায়না কম্মিটি ওফ সিবিল সোসাইটিজ কংলৈপাক (সী সী এস কে)না ফোঙদোরক্লি।

সী সী এস কেগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল দোলর মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইস্লাম লাইনিংগী ওইবা রমজান থানা লাকপদা ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরদসু লাইনিং অসিবু চৎচবা মীতৈ পাঙল কয়ানা থা অমা চুপ্পা চাকহেন থা পাঙথোক্নরি। মসিমক লাইনিং অসিগী ওইবা ৱাহন্থোক্তা খ্বাইদগী ৱাংবা মালেমগী থাক্তা পাঙথোক্লিবা থৌরম অমনি। মীওইবা ওইনা তাইবঙ মপোক্তা পোকপা ঐখোয়না খঙদা উদবদগী তৌরোইদবা তৌখিবা, চারোইদবা চাখিবা, য়েংলোইদবা য়েংখিবা, ঙাঙলোইদবা ঙাঙখিবা, মমাঙদা তৌখিবা অরানবগী মশক ওইবা থবক থৌরম কয়ানা পীগদবা পাপকী ওইবা অৱাবা অদুবু কোকপীনবা মপুগী মফমদা চঙজবগী থৌরম অমনি। অসিগুম্বা মতম অসিদা থা অমা চুপ্পা চরা নাম্মা চাদুনা শেন্বীবা মপুদা চঙজবা অমদি হায়জ নোঞ্জবগী ৱাহন্থোক পুরি।

চহী অমগী থা ১১বু থবক শুদুনা মথৌ তাবা পোৎলম খূদিংবু তানশিনবা, থবক শুবা নোম্বা লোইরগা থা অমবুনা লাক্কদবা চহীদসু তেক্তা কায়দনা শুবা নোম্বা ঙমজনবা মপুবু পূক্নিং হকচাং অনীমক তেংলগা চঙজবা থানি। অসিগুম্বা মতমদা মুসলমানশিংনা লাক্কদবা চহীশিংদা নুংঙাই য়াইফবা, তংদু লৈতাবা অমদি পূন্সি নুংশাংনবা মপুদা খুরুমজরিবনি। অসিগুম্বা ইস্লাম লাইনিংগী ওইবা য়াম্না শেংলবা মতম অসিদা লমদমসিদা লৈরিবা মুসলমানশিং অমদি মীতৈ পাঙলশিংনা পাঙথোক্লিবা রমজান থাগী চরা হেনবা অমদি চাকহেন থাগী অরোইবা নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা হরাও তয়াম্বগী থৌরম অসিনা লমদম অসিদা চাউখৎপা, ঈং-তপ্পা অমদি হেন্না য়াইফবা পুরকপা ওইরসনু।

লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা লাইনিং লাইশোনগী খেন্নবা কয়া অমদি খেন্নবা লৈবনা মাগী মাগী লাইনিংদা থাজবা অমদি লাইনিং অদুনা পীবা পূক্নিং হকচাংগী অনীগী ওইবা নুংঙাইবা, তংদু লৈতাবা অদু ঐখোয় পুম্নমক্তসু মপুনা পীবিবা ওইরসনু হায়না কাঙলূপ খূদিংমক্না মপুগী মফমদা থৌনিমিন্নরসি।

মালেমগী থাক্তা পীক্লবা চীংলৈবাক অসিদসু লাইনিং লাইশোন, ফুরুপ-কাঙলূপ শুনা খুন্দামিন্নবা য়াম্না মতিক ময়াই লৈবা মণিপুর লৈরি হায়বসি মালেমগী মীয়ামদা উৎলসি। লাইনিং লাইশোন হায়বসিনা মীওইবা ঐখোয়বু খাইদোক্তুনা থম্বীরমদে। লাইনিং কয়া অসিদা চৎচরিবা ঐখোয়তনা ইশাগী লাইনিংনা অথোইবনি হায়বা নাপল তৌবা অদুনা ঐখোয়গী মরক্তা হেক হেক উংখৎনবা, খৎন-চৈনবা থোকহনবনি। মরম অসিনা রমজাননা লাকপসিদা লমদমসিগী ইস্লাম লাইনিংবু থাজবশিংনা মপু মাগী মফমদা চঙজদুনা হায়জ নোঞ্জরগা ইরাৎ থৌনিবা অসিনা মতম পুম্বগী ওইনা মণিপুরদসু তংদু লৈতাবা, নুংঙাই-য়াইফবা, মীওৎ-মীনৈ লৈতবা ইরমদম অমা ওইরসনু।

রমজান কুম্মৈনা লাকপগা ইরোয়ননা মণিপুরগী ইস্লাম লাইনিংবু থাজরিবা খূদিংমক্কী মফমদা সী সী এস কেনা য়াইফ পাউজেল পীজরি। মণিপুরদা পুন্না খুন্দামিন্নরিবা চীংগী ইচিন-ইনাওশিং, ইস্লাম লাইনিং চৎলিবা মীতৈ পাঙলশিং, হিন্দু লাইনিং চৎলিবশিং, মীতৈগী লাইনিং চৎলিবা অমদি অতৈ অতোপ্পা লাইনিং চৎলিবা পুম্নমক্না নুংশি-চান্ননা, পুন্না হিংমিন্নবা অমদি পানমিন্নবা ওইরসনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইমা হাওরৈমা শম্পুবী শঙলেন শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম মফমশিংগী মনুংদা লমকোয়বা য়াবা টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইরিবা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ককচীং উয়োক চীংদা লৈবা ককচীং লৈকোল (ককচীং গার্দেন)দা নৌনা শাগৎপা ইমা হাওরৈমা **শম্পুবী শঙলেন** ঙসি শঙ্গাখ্রে।

ককচীং গার্দেন দিভলপমেন্ট ট্রষ্টনা শিল্লগা পাঙথোকখিবা ইমা হাওরৈমা **শম্পুবী** শঙলেন শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)গী এম এল এ, এস বিরনা চীফ গেষ্ট অমসুং ককচীং এ সীগী এম এল এ য়েঙ্খোম সুরচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীদুনা ককচীং এ সীগী এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্রনা হায়খি, মণিপুরগী তেঙান তোঙানবা টুরিষ্ট স্পোটশিংগী মনুংদা লমকোয়বশিংগী মশীং খ্বাইদগী হেন্না লাকপা মফমশিংগী মনুংদা ককচীং গার্দেনসু অমনি। গার্দেন অসিদা ঙসি অনৌবা শঙলেন অমা অমুক হাপচিনবা অসিনা লমকোয়বা লাকপশিংগী পূক্নিং হেন্না চিংশিনফম ওইরগনি খল্লি। গার্দেন অসিনা মণিপুরগী টুরিজমগী ইনোৎ অমা শুংশোয় শোয়দনা পীরগনি।

ককচীং গার্দেন অসিদা লৈবাক অসিগী লমকোয়বশিংদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মপান লৈবাকশিংদগী টুরিষ্ট কয়া লাকপা হৌরবনি। মীয়াম্নসু গার্দেন অসিবু হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং কয়া পাংবীরি। মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনসু টুরিজমগী ঈহৌ অসি চাউখৎহন্দুনা থবক ফংদ্রবা ককঙাওনরবা নহা কয়াবু থবক পীবদা অচৌবা মতেং পাংবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। মসিদসু নত্তনা লমদমসিগী ওইবা টুরিজম ইন্দষ্ট্রি চাউখৎহন্দুনা মণিপুরগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ইমা হাওরৈমা শম্পুবী/পান্থোইবী হরাওবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

শা-উচেক্কী চৎন-কাঙলোন লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :

ইন্দিয়া লৈঙাক্না হূই মচা কোকহন্দুনা লোয়নবা, ফজবগী য়েংনবা ঙা য়োকপশিং অমদি শা-উচেক্কী কৈথেলশিংগী অকুপ্পা অনৌবা চৎন-কাঙলোন লাউথোকখ্রে।

মসি শা-উচেক্তা তাথী-তাওইনা তৌদনবা লাউথোরকপা থৌরাংশিংগী মনুংদনি হায়না পিপলস ফোর এনিমেল মণিপুরগী মেনেজিং ট্রষ্টি এল বিশ্বজিৎ মীতৈনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্টনা প্রিভেন্সন ওফ ক্রুয়েলিটি টু এনিমেলস এক্ট, ১৯৬০গী মখাদা নোটিফিকেসন পরেং অমা থা অসিগী ২৩ দা থোকখ্রে। অনৌবা চৎন-কাঙলোন অসিগী মখাদা হূই মচা কোকহন্দুনা লল্লোনবশিং অমদি এক্কারিয়মশিংগী মপূশিংনা ষ্টেট এনিমেল ৱেলফেয়র বোর্দতা রেজিষ্টর শুংশোয় শোয়দনা তৌগদবনি।

অনৌবা চৎনবী অসিনা হূই মচা পুথোক্লিবশিংদা তঙাইফদনা মরুওইবা শা থম্ফমগী মওং, অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা অমদি য়োনবা লৈবগী অকুপ্পা মওংশিং ইনগদবনি হায়রি। মসিগা মান্ননা এক্কারিয়ম ঙা থম্বশিংসু ঙা থম্বগী মওং, অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা অমদি য়োনবা, লৈবগী অকুপ্পা মওংশিং ইনগদবনি।

য়োকপা য়াবা, য়াদবা ঙা মখলশিংসু কুপ্পা খায়দোক্লি। মিনিষ্ট্রি অসিনা লাইফষ্টোক মার্কেট রুলস হায়বা অমসু শেমদুনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী এনিমেল মার্কেট মোনিটরিং কম্মিটি হায়বা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চ্যেরমেন ওইবা অমদি দিষ্ট্রিক্টশিংগী চীফ ভেটিরিনরি ওফিসরনা সেক্রেটরি ওইবা কম্মিটি অমমম্ শেম্নবা খঙহনখ্রে। মসিগা ইরোয়ননা শা কৈথেল খুদিংগী এনিমেল মার্কেট কম্মিটি হায়বা অমসু শেম্নবা খঙহনখ্রে। মসিগীনা ম্যুনিসিপালিটি নৎত্রগা লোকল বোদিশিংগী মকোকনা চ্যেরমেন ওইগনি। কম্মিটি অনী অসিনা য়োন্নবা থল্লিবা শা-উচেকশিংগী থম্ফম অনা-লায়েং য়োনবা, লৈবগী মওং অমদি শা-উচেকশিংবু লোয়নবগী মওং কুপ্পা য়েংশিনগনি।

ফজনবনি হায়দুনা হূই মমৈ, মনা ককপা, য়েন মথক-মখা ওন্দুনা পুবা, মীনা পাম্নবনি হায়দুনা হীদাক-লাংথক কাপশিনবা, ফজবগী য়োক্লবা ঙাদা মচু শঙবা তৌবা য়াদে। করিগুম্বা চৎন-কাঙলোনশিং অসি পীরিবা মতমগী মনুংদা ইন্দ্রবদি নৎত্রগা ঙাক্না চৎত্রবদি থিংজিনগদবনি।

কেস প্রোপর্টি এনিমেলস রুলস হায়বা রুল অসিনা অরানবা তৌরবা শাগী মপূদগী মরী লৈনবশিংনা শা অদুবু য়াইফনবা তৌবদা চঙখিবা শেলশিং করম্না পুথোকহনগনি হায়বনচিংবা য়াওরি। মসি মণিপুরগী পোনি সোরোক্তা থাদোকপগা মরী লৈনবা কেসশিংদা য়াম্না কান্নরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) : ক্যাম লৈতানপোক লিগেল এইদ ক্লিনিক হাংদোকখিবা চহী ১ মপুং ফারকপগী ঙসি ক্যাম লৈতানপোক কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামসু পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্বিসেস ওথোরিটিগী মীৎয়েং মখাদা ক্যাম লৈতানপোক লিগেল এইদ ক্লিনিক্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর-১৫গী কাউন্সীলর এন শান্তি, ৱাদ নম্বর-১৪গী কাউন্সীলর টি ঐচ সঙ্গীতা, ৱিমন পুলিস ষ্টেসন থৌবালগী ওফিসার ইন-চার্জ সৈত্যবতি অমসুং লিগেল এইদ ক্লিনিক ক্যাম লৈতানপোক্কী কোওর্দিনেটর এল প্রমোনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা এদভোকেট এম দি জাকির হুসেননা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা ৱিমন এম্পাৱরমেন্টকী মতাংদা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

ট্রাইবেল রাইটস এন্দ ফোরেষ্ট হায়বা হীরমদা সেমিনার পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :

ট্রাইবেল য়ুথ কাউন্সিল মণিপুর (টি ৱাই সী এম)না শিন্দুনা ট্রাইবেল রাইটস এন্দ ফোরেষ্ট হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা ঙরাং চীংমৈরোংদা লৈবা টি আর আইগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

সেমিনার অদু হৌদোকপগী থৌরমদুদা লোক সভাগী হান্নগী এম পি মনি চরানামৈনা স্পিসিয়েল গেষ্ট, চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট ডা. লোখো পুনি, স্কুল ওফ টিচিংগী দিরেক্টর ডা. এস সঞ্জ্ব অমসুং য়ুনাইটেদ কোলেজ চান্দেলগী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী হেদ এসোসিএট প্রোফেসর ডা. বেঞ্জামিন গাংমৈ অমসুং মণিপুর হায়কোর্টকী এদভোকেট জুলিয়স রিয়ামৈনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা লোক সভাগী হান্নগী এম পি মনি চরানামৈনা হায়খি, মোর্দন সিভিলাইজেসন লাক্ত্রিঙৈ মতমদদি ট্রাইবেলশিং হীরম খুদিংমক্তা উমংবু য়োক্তুনা লাকখি। ট্রাইবেলশিংগী পুন্সি মহিং অসি উমংশিংগা য়াম্না মরী লৈনৈ অদুবু ঙসিদি উমং ৱামংশিং অসি মাঙশিল্লকপগী ফীভম অমা চাউনা লাক্লে। মরম অসিনা লমদমসিগী ইনভাইরোনমেন্টবু ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক উমংগী ফীভম ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনবা মথৌ তাই।

ট্রাইবেলশিংগী ওইবা কষ্টমরি প্রেক্টিশশিং অমদি রাইটশিংবু ইকায় খুম্নরবতদা উমং কনবা ঙমগনি খল্লি। লমদমসিগী উমংশিং নোংমা নোংমগী শোকচিল্লকপগী মতৌ অমা লাক্লে। লৈঙাক্নসু উমং-ৱামংশিং কন্ননবা হোৎনবদা ট্রাইবেলশিং শরুক য়াহনবগী তঙাইফদবা লৈরে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

সেজাং ভীলেজদা লিগেল এইদ ক্লিনিক হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) : মীয়ামদা লোগী ওইবা মতেং কয়া ফংহন্নবগী পান্দমদা জীরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা সেজাং ভীলেজদা ঙসি লিগেল এইদ ক্লিনিক অমা হাংদোকখ্রে।

লিগেল এইদ ক্লিনিক হাংদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর হায় কোর্টগী রেজিষ্ট্রার জেনরেল এ গুনেশ্বর শর্ম্মা, মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্বিসেস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচা, জোইন্ট সেক্রেটরি (লো) নুংশিতোম্বী অথোকপম, দেপ্যুটি সেক্রেটরি (লো) শান্ত অথোকপম, মণিপুর হায় কোর্টকী দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার (জুদিসল) ৱাই সোমোর্জিৎ অমসুং জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস জীরিবাম জাংগৌলেন হাওকিপনা দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। অমরোমদা, জীরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা লিটরেরী ক্লব অমসু মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্বিসেস ওথোরিটি মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচানা শঙ্গাখি।

‘প্রিয়োকুমার মীশিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা শৌগৎকনি’

ইম্ফাল, মে ২৮ (ঐচ এন এস) :

হৈঙাং পান্থোইবী লম্পাক্তগী হিরোম প্রিয়োকুমার মীশিগা মরী লৈননা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটি (জে এ সী)না চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা ইম্ফাল ইষ্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা লূপশিংনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ রাজেননা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১৭তগী মাঙখিবা হৈঙাং পান্থোইবী লম্পাক মনাক্তগী হিরোম প্রিয়োকুমারনা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিদুনা লৈরম্বদা ইম্ফাল ইষ্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন্না অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি।

লৈখিদ্রবা প্রিয়োকুমার মাঙখিবগী রিপোর্ট অসি মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা মতম চানা খঙহনখ্রবসু শাংলবা মতম হায়বদি নুমিৎ ৯/১০ অসিদা মহাক্কী লংলা-লংজিন অমত্তা পুথোকপা ঙমখিদবা অসি লাইবক থীবনি। মতম চানা পাউ পীরবা ফাওবদা পুলিসনা লৈখিদ্রবা প্রিয়োকুমারগী লংলা-লংজিন পুথোক্তুনা মহাকপু হিংনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা ফংহনবা ঙমখিদবা অসি লমদমসিদা লৈরিবা মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন-থুম্ব ঙাকপী শেনবীনবা লৈরিবা মণিপুর পুলিস অমদি হোম দিপার্টমেন্টকী অশোনবা অমসুং অশোয়বনি হায়না লৌই।

মীয়াম্না পুলিস অমদি হোম দিপার্টমেন্ট অসিদগী থোইদোকপা সিক্যুরিটিগী ওইবা ৱাফম থাজবা ঙমদ্রি হায়বসি লমদমসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়া অসিনা খুদম চাংদমনি। অদুবু অসিগুম্বা তমথিরবা অকিবা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবা মতমদা প্রিয়োকুমারগী মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং পুথোক্তুনা মীয়াম খঙনা মতিক চাবা চৈরাক ফংহনগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, হৈঙাং পান্থোইবী লম্পাক্তগী হিরোম প্রিয়োকুমারবু তাংজেং চীং লাইমাং খুনয়াইদা য়াম্না তমথিনা মীওইবগী মীনুংশিগী ৱাংমদা, পাংদবা হুরান-লোন্নগী মওংদা হাৎতোক্লগা থৌরী য়ানশিন্দুনা থল্লম্ববু হৈঙাং কেন্দ্র মৈরা পায়বী অপুনবা লূপ্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা থৌওং অদুবু কন্দেম তৌরক্লি।

হৈঙাং কেন্দ্র মৈরা পায়বী অপুনবা লূপকী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু বোরমণিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, প্রিয়োকুমার অসি চহী ২৬তা ঙাইরিবা য়াম্না নৌরিবা নহানি। মহাকপু হাৎলম্বা থৌওং অসি মীওইবা খুন্নাইদা চৎকদবা লীচৎ নত্তে। মহাক্না অরানবা তৌরম্লবসু ইমুং-মনুংগী মীওইশিং অমদি অতোপ্পা ওর্গনাইজেসনশিংদা খঙহন্দুনা মাবু শেমদোকচনবগী মতম পীদনা হেক্তা হাৎতোক্লম্বা হায়বসি শেন্বীবা মপুনা ফাওবা য়ারোইদবা থৌওংনি হায়না মমা ওইবীশিংনা লৌই।

মণিপুর লৈঙাক্না মীহাৎ অসিদা চেন্নবশিং পুথোক্তুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবীগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ꯁꯃꯨꯌꯦꯟ ꯌꯦꯟꯗꯥꯏ/SHRI SAMUYEN YENDAI Hon'ble MLA, Tamenglong A/C বু ঈশ্বরনা চানবীবা ওইরসনু

Suryabara Sana Kala Kendra Thangmeiband Yumnam Leikai, Imphal না শিন্দুনা Silver Jubilee of All Community Guru Puja 2017 Dated 22/05/2017 তগী নুমিৎ ৪ (মরি) নি পাঙথোকপা থৌরমদা ঈকায় খুম্নরবা **Shri Samuyen Yendai** Hon'ble MLA Tamenglong A/C না অসিগুম্লবা ফুরুপ খুদিংমক্কী ইচিন-ইনাওশিংবু উনবগী তাঞ্জা অমা ফংবসি অসুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওজে অমসুং ঐখোয় অমত্তনি হায়বা ৱাফম থন্বীবা অমসুং নুংশিনবা হায়বসিনা ঐখোয় পুম্নমক্কী ঈং-তপ্পা লাক্কনি হায়বা ৱাফম চীফ গেষ্টনা থল্লম্বগা লোয়ননা ঈকায় খুম্নরবা শ্রী **Samuyen Yendai Hon'ble MLA** না থৌরম অসিগীদমক লুপা ৫০,০০০/- মতেং পাংবীরকপগীদমক **S.S. Kala Kendra** না থাগৎপা ফোঙদোকচরি অমসুং থৌরম অসিদা BJPগী General Secretary Shri **N. Nimbus** না প্রিসাইদ তৌখি।

Sd/- Secretary,
Suryabara Sana Kala Kendra Thangmeiband Yumnam Leikai, Imphal

HL-P/1637/29

AWARENESS AND SENSITIZATION MEETING

As per letter No. 3/2/IW/PMAYG/2016-17 dated on 16th May, 2017 of BDO, Wangoi CD Block, Sangaiprou Mamang Gram Panchayat is organising an awareness and sensitization meeting on "Pradhan Mantri Awas Yojna" (Gramin) on Tuesday, the 30th May, 2017 at the Panchayat Bhawan Ground, Kwakeithel Konjeng Leikai at 11:00 a.m.

In this regard, the village authorities are requested to kindly attend the Programme in time.

Sd/- K. Nganthoi Devi
Pradhan
Sangaiprou Mamang Gram
Panchayat, Imphal West, Manipur.

HL-P/1629/29

ꯗꯨꯠꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ **DUTTA CLINIC** ꯗꯨꯠꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক **ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC** তগী ফংবীগনি



অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্না পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলিস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্না অমদি শোন্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোন্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।
পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্না অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হন্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙল্লে।
অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

ꯗꯨꯠꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3850/6/05-04/06

CROSSWORD-2427



ACROSS
- 7 Star-gazers (11)
- 8 Seat of power (6)
- 9 Business magnate (6)
- 10 Bracelet (6)
- 12 Frank (6)
- 13 Burnt remains (3)
- 14 Need for food (6)
- 16 Indifference (6)
- 18 The East (6)
- 20 Missive (6)
- 22 Not corroborated (11)

DOWN
- 1 Eruption on the skin (4)
- 2 Powerful (6)
- 3 Ancestor (6)
- 4 Room or space under roof (4)
- 5 Warning light (6)
- 6 Amaze (8)
- 11 Zodiac sign (8)
- 12 Padre (8)
- 15 European country (6)
- 17 Harvest season (6)
- 19 Very small (4)
- 21 Concludes (4)

Solution 2426



SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2226

1	3				9	7		5
			5			3		
	6				4		8	
				8	1			
		9	3		7	1		
			4	2				
	9		2				1	
		5			8			
8		4	7				5	9

Solution-2225

2	5	4	1	9	3	7	6	8
9	8	3	6	7	2	5	4	1
7	1	6	5	4	8	9	2	3
5	3	7	9	6	4	1	8	2
8	6	9	2	1	5	4	3	7
1	4	2	3	8	7	6	9	5
4	7	5	8	2	9	3	1	6
6	9	8	7	3	1	2	5	4
3	2	1	4	5	6	8	7	9

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9